**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 07-04-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৭-০৪-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী অৱাং লৈকাইদা বোম য়াওনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা অঙাং অনি লৈখিদ্রে, মীয়ামা মোইরাংদা লন্বী থৎতুনা খোঙজং চংশিল্লি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী, চান্দেল অমসুং তামেংলোং জিলাদগী য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে, লালহৌবা কয়ামরুম ফারে।

**অমসুং**

৩) অসাম, কেরলা অমসুং পুদুচেরিগী মীখলগী ভোৎ খোন্বগী মতম ঙসিনা লোইরে।

----

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী অৱাং লৈকাইদা কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনি হায়বশিংনা চীংথক্তগী বোম য়াওনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা অঙাং অনি লৈখিদবা অদুদা খোইশাওনরবা মীয়ামা মোইরাংদা

লন্বী থৎতুনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

ঙসি অহিং পুং ১ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা চথ্থরকখিবা এত্তেক্ট অদুদা তুমদুনা লৈরিবা মমা মচাশিংনা লৈবা কাদা বোম তাশিল্লকপদগী পিক্লিবা অঙাং অনি লৈখিদবনি হায়রি। থৌদোক থোকফমদা মোইরাংগী এম.এল.এ থোঙাম শান্তি সিংহ চংশিন্দুনা য়েংশিনখি। মহাকা হায়-অসিগুম্বা পাংদবগী থৌওং অসি তেরোরিজমগী থৌওংনি। থৌদোক অদুদা চহী ৫ শুরবা নুপা মচা অমসুং থা ৫ খক্তা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা লৈখিদবা অমদি পীক্লিবা অঙাং অনি অসিগী মমানা অশোক অপন নংখিবা অসি থমোই শোকা নুঙাইতে। অসিগুম্বা মীওইবগী মীনুংশি য়াওদবা থৌওং অসি সমাজ অসিদা মখোয়গী মফম লৈতে। অমদি, থৌওং অসিবু হকচিন্না লৌই।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎশু খূৎলাই অমসুং লালহৌবশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথ্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা মাওহিং, চান্দেল জিলাগী মনুং চনবা চকপী কারোং-মোন্বী-জোপী জঙ্কসন অমসুং তামেংলোং জিলাগী মনুং চনবা কাইকাউগী অকোইবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্থবদা য়াল্লবা খূৎলাই কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা- বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ১২, এ.কে ফোর্তি সেভেন রাইফল ২, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১, লোকেল মেদ পিস্টোল ১, লোকেল মেদ বোল্ট এক্সন রাইফল ৪, লোকেল মেদ বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল ৪, সিঙ্গল বেরেল রাইফল ৬, পোম্পী ৪, হেন্দ গ্রেনেদ ১, কন্ত্রি মেদ নাইন এম এম কর্বাইন ১, কন্ত্রি মেদ নাইন এম এম পিস্টোল ২, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ২, লেথোদ গন ২, নোংমৈ মরু কয়ামরুমগা লোয়ননা অতৈ পোৎলমশিংসু ফাগৎখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইম্ফাল

ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অনি ফারে। মখা তানা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং উখ্রুল জিলাগী মনুং চনবা থোইয়ি তাঙ্খুল এরিয়া, জালেনবুং অমসুং সাংকুইদা ওপরেসন চথুদুনা বঙ্কর ২৩ থুগাইখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং পুলিস স্তেসনদগী পি.এল.এগী মীওই অমা নাম্থোক্তুনা চেনখিবগা মরী লৈননা পুলিস স্তেসন অসিগী মীওই অনি সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

**এ.আর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা নহাশিংবু শক্তি পীনবা অমদি রাজ্য অসিগী মীয়ামদা হকশেলগী খুদোংচাবা হেন্না ফংহন্নবা পান্দমদা ঙরাং চুরাচান্দপুর অমসুং চান্দেল জিলাগী মফম কয়াদা কম্যুনিতি আউটরিচ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। চুরাচান্দপুর জিলাদা লৈবা দাউন স্কুলদা পাঙথোকপা কেরিয়র গাইদেন্সকী থৌরমদা ভারত লান্মীদা করমা চংগদগে হায়বগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। মদুদা মহৈরোই ২০০ রোম শরুক য়াখি।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী আইবোল জোপীদা মীয়ামগী ওইবা য়োগা পাঙথোকখ্রে। ঙরাং পাঙথোকখিবা য়োগাগী থৌরম অদুদা খুল ৪৪ গী মীওই কয়ামরুম শরুক য়াখি।

**ড্রাই (এল)ঃ** মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসামগা য়ুম্লোন্নরিবা মণিপুরগী জিলাশিংদা ঙসি নুমিদাং পুং ৫ দগী ভোৎ থাদনগদবা নুমিৎ শগোলশেলগী নুমিদাং পুং ৫ ফাওবা ড্রাই ডেনি হায়না লাউথোকখ্রে। রাজ্যগী কম্মিসনর এক্সাইসনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না রিপ্রজেন্তেসন ওফ পিপলস এক্ট ১৯৫১ গী সেক্সন ১৩৫-সি অমসুং ইর্ষ্টণ বেঙ্গল এন্দ অসাম এক্সাইস এক্ট ১৯১০ গী সেক্সন ১৭৩ (থ্রি)গী মখাদা তামেংলোং, জিরিবাম অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাবু হায়রিবা মতম অসিদা ড্রাই ডে ওইগনি।

**নোনে(এল)ঃ** মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা নোং কন্না চুরে। ঙসি নোঙাল্লমদাই অদুৱাইদা নুংশিৎ য়াওনা চুখিবা নোং অদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুনশিদা অকাইবা পীখি। বিষ্ণুপুর, নোনে, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মফম কয়াদা অয়ুক অঙনবদগী হৌনবা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুখি। নোং চুবা অসিনা মরম ওইদুনা মফম কয়াদা মৈ ফংদবগী সমস্যা মায়োকরি।

অরোমদা, রাজ্যগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা থোকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ঙরাং খ্বাইদগী শাখিবা জিলা অসি চুরাচান্দপুর জিলানা ওইখি। জিলা অসিদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২.২৭, নোনে জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২.১২, ইম্ফাল ইষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রি ৩১.৩২ অমসুং কাংপোকপী অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩১ গী মথক্তা শাখি।

**ইলেক্সনঃ** অসাম, কেরলা অমসুং পুদুচেরিগী মীখলগী ভোৎ খোম্বগী মতম ঙসিনা লোইরে। অসামগী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র ১২৬, কেরলাগী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র ১৪০ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পুদুচেরিগী সিট ৩০ গী মীখল তাংকক অমখক্তদা শগোশেল নুমিৎতা ভোৎ থাদনগনি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙরাং অসামগী বারপেতা, হোজাই অমসুং দ্রিব্রুগরদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি। হোজাইদা ঙরাং নুংথিল পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-অসামগী জিলা খুদিংমক মপুং ফানা চাউখৎহনবা হায়বসি বি.জে.পি অমসুং এন.দি.এগী খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকনি। বারপেতাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-বি.জে.পিগী মরুওইবা পান্দমদি লৈবাক অসিবু চাউখৎহন্দুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা হায়বসিনি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহী ১০ অসিদা অসামদা শান্তি হঞ্জিল্লক্তুনা নুঙাই য়াইফবা রাজ্য অমা ওইরক্লি। কংগ্রেস লুচিংবা কুমারি সেলজাসু

গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা শরুক য়াখি। মহাকা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদকী মতাংদা বি.জে.পিবু মরাল শিখি।

পুদুচেরি অমসুং কেরলাদসু লুচিংবা কয়ানা মখোয় মখোয়গী মীরেপকীদমক ভোৎ খোল্লি। রাজ্য অনি অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি অমসিগী ভোৎ লাক্লিবা শগোশেল নুমিৎতা থাদনগনি।

মরক অসিদা, তামিল নাদু বিধান সভাগী অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙরাং লোইখ্রে, স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোক্কনি। হয়েংনা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি। তামিল নাদুগী সিট ২৩৪ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী অহানবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা কেন্দ্র ১৫২গী ভোৎ থা অসিগী ২৩ দা থাদনগনি।

**সরকারঃ** নোংচুপ এসিয়াদা ইরাং থোক্লবসু লৈবাক অসিদা চিঞ্জাক্কী স্তোক মরাং কাইনা লৈরি হায়না সরকারনা ফোঙদোকখ্রে। নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা ইন্তর-মিনিষ্ট্রিয়েল পাউগী মীফম অমদা দিপার্টমেন্ট ওফ কঞ্জুমর এফিয়র্সকী এদ্দিসনেল সেক্রেটরি অনুপম মিশ্রানা হায়-নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিংগী মমলদা অহোংবা করিসু লৈতে। মহাকা হায়-মমাঙ চহীগা য়েংনরুবদা লৈবাক অসিদা হৱাই-চেংৱাই পুথোকপগী চাং হন্দক চহীনা হেনগৎখি। মহাকা হায়-নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিংগী মমল অমসুং সপ্লাই তৌবগী থবক থৌরমশিং সরকারনা কুপা য়েংশিল্লি।

**কাং ঃ** মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমিফাইনেল মেটচতা-কৈশামথোং কাংখুৎনা য়াইস্কুল কাংখুৎপু পাঞ্জল ২৩-১০ দা থোইখ্রে। অনিশুবা

সেমিফাইনেলদা ঙসি থাংমৈবন্দ কাংখুৎকা ওইনাম কাংখুৎকা শান্নগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

বি.জে.পিগী ৪৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবা, সুপ্রিম কোর্টনা হান্নগী সি.এমগী ভোইস সেম্পল লৌনবগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবা য়াওনা অতৈ তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- ফনা কন্না হোৎনরবসু কুকি-তাঙ্খুলগী ইরাং নেমদ্রি, থৱাই অমসুং শর্কফুংদা নোংমৈ কাপখ্রে, দ্রোন পাইরক্লগা য়েংলল্লবা মতুং নোংমৈ মরু নোং গুমা চুরকখি হায়না খুল অদুগী খুল্লাকপনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙানবা হেদলাইনগা লোয়ননা- হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগা খুলশিংদা কুকি মিলিতেন্টশিংনা লেপ্তুনা এত্তেক্ট চথুরকপগী থৌদোক্কা মরী লৈননবা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা অমসুং হীরম অসিদা মীৎয়েং চংবীনবা থমখিবা ৱাফম- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- হান্নগী চিফ মিনিষ্টর এন.বিরেনগী ভোইস সেম্পল নৌনা লোখৎলগা চাংয়েং তৌনবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি । পাউ অসিমক- পোকফম পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী ঙমখৈ কাইহন্দনা থমগনি হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থমখিবা ৱাফম বি.জে.পিগী ৪৭ শুবা ফাউন্দেসন ডেগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা মীয়ামদা নৌহৌননা নিংশিংখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপী চহী ৭ কী নুপীমচা অমা ইকাই খুমবা মাংহনবীরগা হাৎপা ওইগনি চিংনবা মওংদা শিরল্লে হায়না- হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মীরোনবী নুপী অমা অঙাং উনবগী থৌদোক্তা লৈখিদবগা মরী লৈননা ঙরাং জেনিমস হোস্পিতালদা ইরাং থোকখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেনগা সেনাপতিগী সি.এস.ওশিংগা উনদুনা চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা নোনে হেদক্বাতর্সতা পাঙথোকপা বি.জে.পিগী ৪৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়াখিবগী পাউ- তামেংলোং তাইমস অমসুং গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--- পাউ লোইজরে ---**